## GAS NEWS

**CANCHI INDANE, SERVICE**
Bk.upto :21-11-13
Valid From: 10-11-13 *Stock:306*
*Timing: 8:00 to 10:00 am*

**MAIBIA MOIRANG**
Bk.upto : 27-11-13
Valid From: 23-11-13 *Stock: 306*
*Timing: 7:00 to 11:00 am*

**MISAO GAS**
Bk.upto : 30-11-13
Valid From: 12-10-13 *Stock:612*
*Timing: 7:30 to 11:00 am*

**POROMPAT GAS, Porompat**
Bk.upto : 25-11-13
Valid From: 07-11-13 *Stock:346*
*Timing: 7:30 to 10:30 am*

## আই এ এফনা মীওই ২০৩ কনখ্রে

**কিষ্টৱার, জনুৱারি ২৯ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কিষ্টৱার দিষ্ট্রিক্টতা অথাবা ঊন তাবা মফমশিংদা চখোক চৎশিন তৌবা য়াদনা লৈরবা মীওই ২০৩ ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা ঙসি কনখ্রে হায়না দিফেন্সকী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোকখ্রে। আই এ এফকী ১৩০–হেলিকোপ্টর য়ুনিট হায়রিবা কোন্দোর্স হায়রিবা য়ুনিট অদুনা ওপরেশন অদু চখদুনা চখোক–চৎশিন তৌবা ঙমদনা লৈরম্লবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খোমগৎলগা পুরকখিবনি হায়রি।

# নরেন্দ্র মোদিবু পি এম ওইহন্নবা বি জে পিনা ঙমজবী থাক্তা হোৎনরি



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৯ঃ** বি জে পিনা লুচিংবা নেশনেল দিমোক্রেটি এল্লায়ন্সনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা সীট ২৩১ গী মথক্তা ফংননবা পান্দম থল্লি। অদুগা কংগ্রেসনা হান্নগী ফিভমদগী হন্থরবা য়াই হায়না সর্ভে রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

সি এন এন–আই বি এননা চথখিবা ইলেক্সনগী সর্ভে অমদা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা নেশনেল দিমোক্রেটিক এল্লায়ন্সনা লাক্লিবা মীখল অদুদা সীট ২১১গী ২৩১ ফাওবা ফংলবা য়াই অদুগা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লায়ন্স (য়ু পি এ)না সীট ১০৭ তগী ১২৭ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়রি।

সর্ভে রিপোর্ট অদুনা মাঙজৌননা ফোঙদোরকখিবদা, বি জে পিনা লাক্লিবা মীখল অদুদা কংগ্রেসতগী হেন্দুনা চৎকনি। মমাঙদা বি জে পিনা সীট ১১৭ ফংখি। অদুগা কংগ্রেসনা সীট ২০৪ ফংখিবনি হায়রি।

এন দি এনা সরকার শেল্লবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভমদা লৈরি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এম পি সীট ২০দগী২৮ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়না সর্ভে রিপোর্ট অদুনা মাঙজৌননা ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া অন্না দি এম কেনা টামিল নাদুদা সিট ১৫দগী ২৩ ফাওবা ফংলবা য়াই। ওদিসাদা বিজু জনতা দলনা সিট ১০দগী ১৬ ফাওবা ফংগনি। অদুগা উত্তর প্রদেশদতা সমাজৱাদি পার্টিনা সিট ৮দগী ১৪ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়রি।

সর্ভে রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বিহারদা জনতা দল য়ুনাইটেদনা সিট ৭তগী ১৩ ফাওবগা ফংগনি। দিল্লিদা আর্ম আদমি পার্টিনা সিট ৬তগী ১২ ফাওবা ফংলবা য়াই। অদুগা লেফ্ট পার্টিনা ১৫দগী ২৩ ফাওবা মায় পাক্লবা য়াই হায়রি।

মপূং ওইনা য়েংবদা, ৱাই এস আর কংগ্রেসনা সিট ১১দগী ১৯, বহুজন সমাজ পার্টিনা ১০দগী ১৬, টেলিগু দেসম পার্টিনা ৯দগী ১৫, দি এম কেনা ৭তগী ১৩, রাষ্ট্রিয়া জনতা দলনা ৬তগী ১০ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়রি।

ইং ২০০৯ দা য়ু পি এনা ফংখিবা সিট মশীং চাদ ৩১.৫ অদুদগী হন্থরগা চাদ ২৮গী চাংদা ফংলগনি। অদুগা এন দি এনা হান্না ফংখিবা চাদ ২১.৫দগী ৩৬ তা হেঙ্গৎলবা য়াই হায়রি।

বি জে পিনা ফংবা য়ারিবা সিট মশীংশিং অদু ইং ২০০৯ দা ফংখিবা অদুদগী চাদ ১৫.২ হেল্লবনি হায়রি। অদুগা কংগ্রেসনা হান্না ফংখিবা চাদ ২৮.৬তগী হন্থদুনা চৎকনি হায়রি।

সর্ভে অদুনা মখা তানা চথখিবা রিপোর্ট অমদা লৈবাক অসিগী মীওই চাদ ৫না সোনিয়া গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা পাল্লি অদুগা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ক্রেজিৱালবুংনা চাদ ৩ খক্লা শৌগৎলি হায়রি।

রাহুল গান্ধি অমসুং নরেন্দ্র মোদিগা চাংদম্নবদা চাদ ২৫না রাহুল গান্ধিদা শৌগৎলি অদুগা লৈবাক অসিগী মীওই চাদ ৪২না নরেন্দ্র মোদিদা শৌগৎলি হায়রি।

ইন্দিয়াগী মীয়ামগী চাদ ৪৯ না বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট অমা ওইনা নরেন্দ্র মোদি পুথোরকপদা চুম্মী হায়না শৌগৎলি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–৮

*মালেম লৈকোইপুংসিগী লৈরিবা এদমোস্ফিয়ারগী ৱাংমদা এষ্ট্রোনোমিগী লমদা থিজিনখিবগী চথরকখিবা থবকশিং ইং ১৯৬০ পরিং ময়াই চল্লকপা ফাওবদা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না অমেরিকাদগী মাংজিল থারপ চত্তুনা হিরম খরদা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না অহানবা খুৎথাবা (পাইওনিয়র) লৈবাক ওইদুনা লাকখি। অসুম্না ইং ১৯৬৩ দসু সোভিয়েটকী নুপী কোস্মোনোট অমা স্পেসতা থাদুনা মালেমগী মনুংদা নুপী কোস্মোনোট মালংদা কোইবা অহানবা লৈবাক ওইখি। য়ু এস এস আরগী ভোষ্টোক সিক্স হায়বা রোকেট অমা চহীদুগী জুন ১৬ তা কাপখত্তুনা লৈবাকসিগী ভেলেন্টিনা ভি টেরেশকোভা কৌবী কোস্মোনোট নুপী অমা মদুদা য়াওদুনা স্পেসতা খোঙদাবা অহানবা নুপী ওইখি। মহাক্না অহাংবা মালংদা নুমিৎ নিনিগা পুং ২২ মিনিট ৫০ গা সেকেন্দ ৮ লৈখি। মতমদুদা ভেলেন্টিনাগী মশাগী চহী ২৬ কা থা ৩ নুমিৎ ১০ নি শুদুনা হৌজিক ফাওবদা খ্বায়দগী নহা ওইবী কোস্মোনোট ওইরি। মসিগী মায় পাকখ্রবা মিসনসিগী তুং চহী অনি শুবা ইং ১৯৬৫ দসু সোভিয়েটনা ভোসখোদ টু কাপখৎতুনা মদুদা য়াওখিবা কোস্মোনোট এলেসকৈ লিওনোভনা ভোসখোদ টু দগী মপান্দা থোরক্তুনা অহাংবা মালংদা হকথেংননা খোঙদাবা (স্পেস ৱাল্ক) কোস্মোনোট ওইখি। অহাংবা মালংদুদা মহাক্না মিনিট ২৪ লৈখ্রবা তুংদা রোকেটতুদা অমুক হন্না চংনবা হোৎনবদা মহাক্না শেৎখিবা স্পেসসুটতুদা য়াওবা এয়ার লোক্কিং সিষ্টেমদু ফেল ওইবদগী মহাক মালেমদা হিংনা হল্লকখিদ্রে। মিসনসিগী তুংদা সোভিয়েটনা অমুক ইং ১৯৬৭ কী এপ্রিল তাং ২৪ দা সোয়ুজ ৱান মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা থাগৎখি। মদুদা ভ্লাদিমির এম কোমরোভ কৌবা কোস্মোনোট য়াওখি। মহাক্না মালেমসিগী ওর্বিৎতা ১৮ লক কোইরুরগা মালেমদা অমুক হল্লকখিবদা মহাক্না তোংলকখিবা কেপসুলদুগী পেরাচুট তু ফন্দোকউ য়াদবদগী কেপসুলদু ক্রাস লেন্দেদ তৌখিবদা মহাক শিখি। মসিগী মতুংদগীদি স্পেসকী লমদা থিজিনবগী থবক্তা সোভিয়েট মনিং হনবা হৌখ্রে।*

# এ এ পি সরকারনা ৱুমেন’স কমিসনগী চিফতা হরাসমেন্ট পী হায়না মরাল শীরকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৯ঃ** দিল্লি কমিশন ফোর ৱুমেনগী চ্যেরপর্সন বর্খা সিংহনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, সরকার পায়রিবা আম আদমি পার্টিনা লো মিনিষ্টর সোমনাঠ ভারর্তিগা মরী লৈনবা সাওথ দিল্লিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাকপু সম্মন তৌরক্লি।

অদুম ওইনমক, বর্খনা কমিশন অদুদগী ফম থাদোকপগী ৱাফমদি য়াখিদ্রে। হান্নগী কংগ্রেস লেজিসলেচর সিংহনা সোমনাঠ ভারতিগী উকিল উন্নদুনা দিল্লি কমিশন ফোর ৱুমেনদা উগান্দাগী নুপী অমদা চথখি হায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা লাক্লনবা খঙহনখি।

বর্খা সিংহ দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা আর কে পুরমগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। অদুম ওইনমক, মহাক্না কমিশনগী থবক অদু পায়দুনা লাক্লি। হৌজিক ফম অদুদগী মহাক থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা মহাকপু ফম অদুদগী থাদোকপা পাল্লি। চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা দিল্লি প্রদেশ কংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট অর্বিন্দ সিংহনা পার্টি অদুগী বোর্দ অমসুং কমিশনশিংদা অৱাংবা থবক পুরিবশিং ফম থাদোক্লবা হায়খিবসু লৈখি। তুংদা মহাক্কী ৱাফম অদু হন্দোক্লে হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

ফম অদু কন্সটিট্যুশনগী ওইবা পোর্টেল অমনি। চহি অমগী মমাঙদা মহাক্না ফম পায়রকখিবনি। আম আদমি পার্টিনামহাকপু হীরম কয়াদা নুংঙাইতবা থোকহল্লে। লোয়ননা ভারতিগী কেস অদুগা মরী লৈননা মহাকপু কৌখৎলক্লি।

দিল্লিগী থিরকি এক্সটেন্সন্দা উগান্দাগী নুপী অমদা লুজদবা থৌওংশিং চথখিবগী মতাংদা মহাকপু আর্ম আদমি কৌখৎলকখিবনি হায়রি। মদু মহাক্না সোমনাঠ ভারতিগী উকিলদা চৈন্নে হায়রিবা ভারতিবু ৱুমেন কমিশনগী কোর্টতা লাক্লনবা খঙহল্লুরবা মতুংদা ওইরকখিবনি হায়রি।

দিল্লি কশিন্না ফোর ৱুমেনগী চ্যেরপর্সননা অদুনা সোমনাঠ ভারতিবু কৌখৎলুরবা মতুং মঙোন্দা অদুগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অদু চথরকখিবনি হায়রি।

অদুবু ওইনমক ভারতিনা কমিশন কোর্ট অদুদা চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা লাক্লনবা ৱাফম খঙহনখ্রবসু মহাক লাকখিদে। মদুগী মহুত্তা মহাক্কী উকিল ওইনা থারকখি হায়রি।

# কারুনিধিগী পাউখুমদা অলাগিরিনা হায়বা ইন্দবা মচাগী অশিবা হকচাংদা মপাগী পি তাগনি হায়খ্রে

**চেন্নাই, জনুৱারি ২৯ঃ** দি এম কেগী মরক্তা লৈরিবা ইমুং মনুংগী নুংঙাইনদবা কয়া অদু পুথোক্লদুনা এম কে অলাগিরিনা মহাক্কী মপাগী পি পূম্নমক মচানুপাগী অশিবা হকচাং মথক্তা তাগনি হায়না মহাক মশানা লাউথোকখ্রে হায়রি।



দি এম কেগী চিফ করুনানিধিগী মচানুপা য়াইমা অদুনা মশাগী চহী ৬৩ শুবগী মপোক নুমিৎ পাঙথোক্কদবগী মাঙওইননা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ঈৱাং থোকহন্দনবা য়াম্না চেকশিন্না শান্তিগী ফিভম থম্নবা আপীল তৌবগা লোয়ননা মশামক মমাঙদগী মহাক্কী পার্টিদা তোকপা লৈখিদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অলাগিরিগী ৱাফম অসি মহাক্কী ময়াম্বা এম কে ষ্টেলিননা নোংমদা পোকপা মচাদি নোংমা শোয়দনা শিগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী নোংঙানবদা হায়খিবনি।

মহাক্কী ৱাফম অদু থোইদোক্না লূম্না অমদি হকচিন্না লৌনিংঙাই লৈতে হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী ময়াম্বা অদুনা হায়খিবা অদুগী পাউখুম অমা পীবা পামদনি হায়না এম কে অলাগিরিনা ষ্টেলিন শোয়দনা শিরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা হায়খিবনি হায়রি।

অলাগিরিনা ষ্টেলিনদি থা অহুম মরি অসিগী মনুংদা শিরগনি হায়না মখোয়না অপোকপা দি এম কেগী চিফ এম করুনানিদিগা ৱারী শানবদা হায়খিবনি।

## দিজল টেঙ্কর অমগা থেংজিন্নবদা বস অমা মৈ চাকখ্রে, ৭ শিরে

**মুম্বাই, জনুৱারি ২৯ঃ** মহারাষ্ট্রাগী হায়ৱে অমদা লকজরি বস অমগা দিজল টেঙ্কর অমগা থেংজিন্নবদা বস অদু মৈ হৌনা চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৫না অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু মুম্বাই অহমেদবাদ হায়ৱেগী মানোর লমদমদা নুমিদাংগী পূং অমরোম তারকপদা থোকখিবনি। বস অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিং নুমিদাংগী মতম ওইবনা তূমদুনা লৈনখি। বস অদু পুনেদগী অহমেদবাদ তম্না লাকখিবনি হায়রি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ইমর্জেন্সি সর্ভিস অমসুং মকোক থোংবাপুলিস ওফিসিয়েলশিংনা মফম অদুদা চঙশিনবগা লোয়ননা হায়ৱে অদুদা গারি চখোক–চৎশিন পূং মরিরোম থিংখি। মহৌশাগী ওইবা ট্রাফিক সিষ্টেম লৈহন্নবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙখি হায়না মুম্বাই পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। দিজল টেঙ্কর অদু পোকখায়রকপা য়াবগী খুদোংথিবা লৈবনা ওপরেশন অদু চথবদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল অমনা থৌদোক থোকফমদা ফোঙদোরক্লি।

## সি পি আই (এম এল) এক্টিভিষ্টশিংদা এটেক তৌবদা ১০ শিরে

**সোনিটপুর, জনুৱারি ২৯ঃ** অসামগী সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টতা শকখঙদবা মীওইশিংনা এটেক তৌরকপা মতমদা সি পি আই (এম এল) সপোর্টর ১০ শিরে, ৮ শোকখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশতগী হায়না থাজবা মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা গুরগাওন পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা ইন্টর–ষ্টেট বোর্দরদা লৈবা সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টতগী কিলোমিটর ১৩৫ লাপ্নথ্র লৈবা চাওৱল দুহা হায়রিবা মফম অদুদা এটেক অদু তৌরকপদা হায়রিবা থৌদোক থোকখিবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দি সি ললিত গোগোইনা ফোঙদোকখি।

# শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওই অহুম্না থারকখিবা চেরোল সুপ্রিম কোর্টনা খন্নরগনি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৯ঃ** ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রাজিব গান্ধি হাৎখিবগী কেসকা মরী লৈননা শিবগী দন্দি পীরবা মীওই অহুম্না মখোয়গী দন্দি অদু মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী দন্দি ওইনা ওন্থোকপীনবা হায়জরকপা অদু সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং খন্নরগনি। মদু মীওইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা মীনুংশিগী মীৎয়েং য়েংবীনবা হায়জখিবা অদু চহি ১১ চুপ্না নমশিন্দুনা থল্লকপদগী সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী ৱাকৎ অদু হীয়ারিং চথনবা লেপখিবনি।



সুপ্রিম কোর্টকী চিফ জষ্টিস সঠাসিভমনা এদভোকেট রাম জেথ মালানিনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু লৌখৎখিবনি। রাজিব গান্ধি হাৎখিবগা মরী লৈননা শিবগী দন্দি পীরবা মীওইশিং অদুদি সন্থান, মুরুগন অমসুং পেরারি বাননি। মখোয় সরকার অসিনা থৌশাদনা লৈরকপদগী সুপ্রিম কোর্টনা অদুগুম্বা খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

জেথ মালানিনা হায়খিবদা, কেস অদু লৌখৎপদা মতম শাংনা চঙহনখিবনা অমুক হন্না য়েংশিনবীননবা পিটিশন অদু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎখিবনি হায়রি।

এদিশনেল সোলিসিটর জেনরেল সিদারট লুথারানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা পীখিবা ৱায়েল অদু য়েংশিন্নবা খন্নরি। বন্দিশিং অদুনা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু খন্নবদা সরকারনা থেংথবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফিভম অদু ওইরকখিবনি হায়রি। সাধা সিবমগী বেঞ্চনা শগোলশেন নুমিৎতা কেস অদুগী হীয়ারিং চথরগনি হায়রি।

# শিখশিংগী মায়োক্তা চথখিবা হিংশাদা কংগ্রেসকী লুচিংবা খরা চৈন্নেঃ প্রকাশ সিংহ বাদল

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৯ঃ** পঞ্জাবগী চিফ মিনিষ্টর প্রকাশ সিংহ বাদলনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাহুল গান্ধিদা মরাল শীবা য়াওরদুনা হায়খিবদা, ইং ১৯৮৪গী শিখশিংগী মায়োক্তা চথখিবা হিংশা অদুদা কংগ্রেসগী লুচিংবা খরা চৈন্নে। মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌরক্লি।



বাদলনা মখা তানা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টতা হংলদুনা হায়খিবদা, কংগ্রেস পার্টিনা অদুগুম্বা হিংশাগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা কংগ্রেসকী মীওইশিং অদুগী মথক্তা করি থবক লৌখৎখ্রবগে অমদি করি দন্দি পীখ্রবগে হায়রি।

অদুগুম্বা হিংশাদা চেন্নবা কংগ্রেস লুচিংবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপগী মহুৎ কংগ্রেস পার্টিনা মখোয়বু ঙাক–শেনবগা লোয়ননা পার্টি অদুগী মরু ওইবা থবকশিং পুহন্দুনা লৈরে হায়না চিফ মিনিষ্টর অদুনা মরাল শীরক্লি।

টি ভি চেন্নেল অমনা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখিবদা ইং ১৯৮৪দা পাঙথোকখিবা সিখশিংগী মথক্তা চথখিবা হিংশাগী থৌদোক অদুদা কংগ্রেস মীওই খরা চৈন্নে। মখোয়না তৌখিবা থবক অদুগীদমক দন্দি পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা থৌদোক অদুগী চপ চাবা পাউখুম অমা পীরবনি। হৌজিক মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি অদুগুম্বা কংগ্রেসকী লুচিংবশিং অদু করিগীদমক ঙসি ফাওবা দন্দি পীদ্রিবনো হায়বসিনি হায়না বাদলনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দিল্লিদা সরকারদা পায়রিবা আম আদমি পার্টিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা অদুগুম্বা হিংশাগী থৌদোক অদু থীগৎনবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেশন টিম অমা শেম্নবা ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বাদলনা হায়খিবদা, থৌদোক অদু থীজিন্নবগীদমক অৱাংবা থাক্কী ইনক্কারি কমিটি কয়া শেমখিবা লৈখ্রে। মদু কংগ্রেস পার্টিনা শেমখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

চৈরক অসিদা, দেপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদলনা মন্সাদা পাঙথোকখিবা সঙ্গৎ দর্শনদা প্রোগ্রাম অমদা ফোঙদোকখিবদা, য়ু পি এ সরকারনা লাল্লে হায়না চঙজগদবনি।

কংগ্রেস পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা রাহুল গান্ধিনা ইং ১৯৮৪গী থৌদোক অদুবু কাঙলুপ অদুবু মাঙহন্নবা থৌদোক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবনিনা য়ু পি এনা লুচিংবা সরকার অদুনা পার্লিয়ামেন্টতা লাল্লে হায়না চঙজগদবনি হায়খি।

থৌদোক অদুবু খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা অমনি হায়বগা লোয়ননা পঞ্জাব কংগ্রেসকী লুচিংবা অদু মোরেল গ্রাওন্দদা ফম থাদোকফম থোকই হায়রি।

## রেপ কেসকী মতাংদা হায়খিবা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়জখ্রে

**নাগপুর, জনুৱারি ২৯ঃ** মহারাষ্ট্রা ষ্টেট ৱুমেন’স কমিশনগী মেম্বর অমসুং নেশনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী অসাম মির্জেনা ঙসি মহাক্না য়াম্না ওন্ন–তৈনবা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিদা রেপ কেসশিং পাক–শন্না পাঙথোক্লিবা অসি নুপীশিংগী মরালনি হায়না হায়খিবা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়খ্রে অমসুং মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদি হৌরক্লিবা নুপীমচাশিংদা মমা অমা ওইনা পাউতাক পীনিংবদগী ৱাফম অদু হায়খ্রে হায়রি। নুপীমচাশিং অসি হৌজিক্কী মতমদা রেপ ভিক্টিম ওইরকপা অসিদগী মমা অমা ওইনা মখোয়দা পাউতাক পীনিংবদগী ৱাফম অদু হায়খিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদুনা মীওই কয়াগী থম্মোয়দা শোকহনখিবা অদুদি মহাক্কী খঙহৌদবগী মরালনি হায়না য়াজরে। মহাক্না হায়খিবা অদুমক হেক্তা তৌদবা য়াদবদি নত্তে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।


